হোমগী অঙাং মশিং হেনগৎহন্নবা ৱারেপ্পখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ইষ্টকী কৈবী সনাপাৎতা লৈবা য়াইবিলেনগী মীফম অমা থা অসিগী ৩০ দা পাঙথোক্তুনা য়াইবিলেন চিলদ্রেন হোমগী অঙাং মশিং হেনগৎহন্নবা ৱারেপ্পখ্রে হায়না য়াইবিলেনগী থৌবুরেল য়াঙ্গোই পিবানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অঙাংশিংগী শান্নবুং অথুবা মতমদা শেমগৎপা লোইশিন্নবা, লাইব্রেরী হাংদোক্লবা অমদি ইংখোলগী অকোয়বদা য়োৎকী উয়ুং য়ুংদুনা শম্বল খাবা লোইশিন্নবা ৱাফমশিংসু ৱারেপ্পখি। হীরমসিগীদমক য়াইবিলেনগী পেত্রোন মেম্বর ওইনিংবা নৎত্রগা চিলদ্রেন হোম ফিদম্নিংঙাই ওইনা শেমগৎনবা থৌরাংগীদমক মেম্বর ওইনিংবা মীওইশিংদগী পেত্রোন মেম্বর ফি লুপা লিশিং ১০ লৌদুনা মেম্বর ওইহন্নবা ৱারেপ্পখি। অঙাংশিংগী মশিং হেনগৎহন্নবগী মতাংদা শেন্স্বীনবা লৈত্রবা অঙাংশিংবু হোমদা লৌশিন্নবগীদমক লম-লমগী মৈরা পায়বী, ক্লব, খুল কম্মিটিনা হোমগী থৌবুরেলগী ফোন নম্বর ৯৭৭৪৫৭৫৬৪৪ দা পাউ পীরকপা য়াগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এক্সপিদিসনগী খল্লকপদা য়াওরক্লে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন সাইন্টিফিক এক্সপিদিসন টু অন্টার্ক্টিকাগী টিমদা মণিপুরদগী হুইদ্রোম নাগেশ্বরসু য়াওরক্লে হায়না মণিপুরী দাইস্পোরা এসোসিএসন দিল্লিগী প্রসিদেন্ট আর কে ব্রজচান্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ৱাবগাই মখা লৈকায়দগী হুইদ্রোম নাগেশ্বর হৌজিক ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টতা মেটিওরোলোজিষ্ট-বি ওইনা থবক তৌরি। কুমজা ২০২১গী জন্যুৱারী ফাওবা অন্টার্টিকাদা চৎকদৌরিবা টিম অসিদা মহাক য়াওখিবনি। নাগেশ্বর মণিপুরী দাইস্পোরা এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরিসু ওইরিবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

শক্লাইরবী অইবী আন্দিনীদা খুৎশিন্নরগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : লৈমরোল খোর্জেকোল (লৈকোল) ইম্ফালনা চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পীরকপা চোংথাম বিমলা বসন্তা এৱার্দ কুমজা ২০১৯ গী ওইনা শক্লাইরবী অইবী খ্বাইরাকপম আন্দিনীদা পীরগনি হায়না লৈকোলগী সেক্রেটরি ৱাহেংবম কুমারী চনুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, এৱার্দ অসিদা শেল ওইনা লুপা লিশিং ১০, সাইটেসন অমদি ইনফি য়াওরি। থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা ওল্ড এসেম্ব্লী রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা অইবী অসিদা খুৎশিন্নরগনি। থৌরম অসিদা আর্ট এন্দ কলচরগী দিরেক্টর শিবদাসনা অথোইবা মীথুং, রাইটর ফোরমগী প্রসিদেন্ট প্রিয়োকুমারনা অখন্নবা মীথুং ওইগনি। লৈমরোল খোর্জেকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবদনিনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াগনি। থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ১ তাবদা ওল্ড এসেম্ব্লী রোদতা লৈবা মণিপুর হিন্দী পরিষদকী হোলদা পাঙথোক্কদৌরিবা এৱার্দ খুৎশিন্নবগী থৌরমদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ৱিমেন এন্দ চাইল্ড কম্মিটি এসেমব্লীগী টিমনা নুপী ইনমেটেশিং উনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ৱিমেন এন্দ চাইল্ড কম্মিটি মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী চ্যেরপর্সন এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা লুচিংবা টিম অমনা ঙসি মণিপুর সেন্ট্রেল জেলদা লৈরিবা নুপী ইনমেটেশিং উনখ্রে।

টিম অদুদা কম্মিটিগী মেম্বর এম এল এ ফজুর রহিম, পাওনম ব্রোজেন, ডা. রাধেশ্যম য়ুম্নাম, অসবউদ্দিন, তোংব্রম রোবিন্দ্রো, সোসল ৱেলফেয়রগী দিরেক্টর এন জি উত্তম, দেপ্যুটি সেক্রেটরি গাংমৈ, দেপ্যুটি দিরেক্টর বিনোবালা নোংমৈকাপ্পম, প্রোগ্রাম ওফিসর মালা লাইশ্রম, সন্ধ্যারানি মংশাতাবম অমদি এম এস দব্লিয়ু দি সীগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর নিকিতা থাংজম অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টকী মীওই কয়াসু য়াওখি।

টিম অদুনা ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা জেল মনুংদা ভিজিট তৌখি। জেলদগী থোক্লকপদা পাউমীশিংগা উনবদা কম্মিটি অসিগী চ্যেরপর্সন এ কে মিরাবাইনা হায়খি, কম্মিটিগী মায়কৈদগী লৈঙাক্না পায়খৎলিবশিং করম্না চলাইরিবগে অমদি অৱাৎ-অপা করি লৈরিবগে হায়বদু য়েংশিনবনি। জেলদা লৈরিবা নুপীশিং হরাও-তয়াম্না ট্রেনিং তৌদুনা লৈহৌই। তোঙান তোঙানবা ক্রাইম কয়া তৌরুবদগী লৈরিবশিং অসি অনৌবা পুন্সিরোলদা শেন্থোক লন্বী লৈনবা ট্রেনিংনচিংবা চথৰকপনি। মখোয়গী ৱাখল্লোন্দা শেল তানবগী হেবিট লৈরি। মসি অফবা ৱাখল্লোন্দা মশানা মশাবু হোৎনজরগা থবক তৌনবা এদভাইস পীরম্মী।

নুপী অমদি অঙাংগা মরী লৈনবশিং মথং-মথং ইন্সপেক্সন চৎকনি। অঙ্গনৱাদি সেন্টরদা করি করি ফংহল্লি। অঙাংশিংদা পীফম থোকপশিং পীরিব্রা হায়বসু য়েংবা চঙই। চাইল্ড লেভরগী ফীভম লৈব্রা হায়বনচিংবা কয়া অসি থিগৎলগা সজেসনশিং পীদুনা অশোয়বা লৈরম্লবসু চুমথোক্লবগী তাঞ্জা লৌনবা কম্মিটিনা চৎপনি। এস পি অমদি দি আই জিশিংনা গাইদ লাইন পীদুনা নীংথিনা লৈহৌরি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ষ্ট্রাইক চথৰগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্ট ইমপ্লোয়ী এন্দ ৱার্কর ওর্গনাইজেসন্না থা অসিগী ২৭তগী ষ্ট্রাইক চঙশিন্নবা চীফ এঞ্জিনিয়র ৱাটর রিছোর্সতা নোটিশ পীশিনখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ষ্ট্রাইক অসিগী দিমান্দদি ৱার্ক চার্জ অমদি মষ্টররোল ৱার্করশিংগী থা ৮ গী বেকলোক লৈরিবা ৱেজেজ পীথোকউ অমদি ৱার্ক চার্জ মষ্টররোলশিংবু রেগ্যুলরাইজেসন তাহন্নবা পোলিসী শেম্মু হায়বা অসিনি। ষ্ট্রাইক চঙশিনবগী মওংদি চীফ এঞ্জিনিয়রগী ওফিস পি দব্লিয়ু কমপ্লেক্সতা সিট ইন প্রোটেষ্ট তৌবা অমদি ওফিসল ৱার্কতদি অপনবা পীদবা হায়বা অসিনি হায়রি।

ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটিগী মনিকোন এন্যুয়ল কনফরেন্স পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন সাইকিয়াট্রিক সোসাইটি, মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চনা শীন্দুনা সুইসাইদ প্রিভেন্সন ইজ ইভ্রিৱান্স কন্সর্ন হায়বা থীমদা মনিকোন এন্যুয়ল কনফরেন্স ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা রিমসকী দিরেক্টর প্রোফেসর এ শান্তনা চীফ গেষ্ট, আই পি এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা. এস মনিকান্তনা প্রসিদেন্ট, রিমসকী সাইকিয়াট্রিক দিপার্টমেন্টকী হান্নগী ঐচ ও দি প্রোফেসর গ্যানেশ্বর, আই পি এসকী পাস প্রসিদেন্ট প্রোফেসর এন হেরামনি অমদি দিপার্টমেন্ট ওফ ক্লিনিকেল সাইকোলোজি রিমসকী হান্নগী ঐচ ও দি, এম এক্সেকুমারনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা প্রোফেসর এ শান্তনা হায়খি, সুইসাইদ তৌবগী মতাংদা করিগী তৌরিবনো হায়বদু খন্নফম থোকই। মেন্টেল হেল্ঠকী মতাংদা মীপুম খুদিংমক এৱের্নেস পীবা চঙই। মেন্টেল হেল্ঠতা অকায়বা লৈরবা মীওইশিং করম্না লোয়নবীগদগে হায়বদু খঙমিন্নবা তঙাইফদে। ষ্টেট অসিদা থৌরী য়ানবনচিংবা অসি তোয়না থেংনবা থৌদোক অমনি। মসি মরুওইনা ৱাখল নুংঙাইতবদগী থোকপা সুইসাইদ মখল অমনি। থৌদোক অসি লাকশিন্নবগীদমক মেদিকেলগী মীওইশিং তান্নবা চুমগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা আই পি এস মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরি ডা. এস গোজেন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা, কনফরেন্স অসি সাইকিয়াট্রিক ডোক্তরশিং য়াওনা পাঙথোকপনি। সুইসাইদতগী ঙাকথোক্লবা এৱের্নেস পীবনি। কুমজা ২০২০ দদি সেকেন্দ ২০ দা মীওই অমমম সুইসাইদ তৌদুনা সুইসাইদ তৌবগী চাং ৱাংখৎলক্কনি হায়না পারি। সুইসাইদ তৌদ্রিঙৈদা ঙাকথোকহৌনবা হোৎনবা চঙই। মালেমগী ওইনা মীওই লাখ ৮ গী মনুংদা সেকেন্দ ৪০ খুদিংগী অমমমদি সুইসাইদ তৌই হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওগী রিপোর্টতা হায়রি। তোঙান তোঙানবা ইস্যু কয়ানা সুইসাইদগী চাং হেনগৎলকই হায়খি।

সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টরনা ওল্ড এজ পেন্সনগী ফন্দ দিসবর্স তৌখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : গো টু ভিলেজ মিসনদা এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবা মণিপুর ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমগী বিনিফিসরি ২০৮৩৩ গী ফন্দ ঙসি সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টর নেমচা কিপগেননা দিসবর্স তৌখ্রে।

ন্যু সেক্রেটরিয়টতা লৈবা মিনিষ্টরগী চেম্বরদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ওল্ড এজ পেন্সনগী ফন্দ অদু মিনিষ্টরনা দিসবর্স তৌখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা নেমচা কিপগেননা হায়খি, গো টু ভিলেজ প্রোগ্রামদা এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবা ওল্ড এজ পেন্সনগী খনগৎলবা বিনিফিসরিশিংদা পীনবা ওল্ড এজ পেন্সনগী ফন্দ অসি ঙসি থাদোকপনি। গো টু ভিলেজ প্রোগ্রাম অসিনা লৈঙাক্না পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিম অমসুং প্রোজেক্ট কয়া দোর ষ্টেপতা ফংহনবগী খুদোংচাবা পীরি। দাইরেক্ট বিনিফিট ট্রান্সফরদা ফন্দ থাদোক্লিবা অসি ফন্দ কাঙলোন চুম্না চৎনবনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

পনবা য়াই, ভো টু ভিলেজ প্রোগ্রাম অসি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা কুমজা ২০১৮ গী মে ১ দা লোঞ্চ তৌখি।

উন্নাও রেপ ভিক্টিম মীহাৎ কন্দেম তৌই : সী পি আই

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : তেলঙ্গনাগী ভেটিরিনরি নুপী ডোক্তর অমদা চথুখিবা থৌওং অমদি উন্নাও রেপ ভিক্টিম মীহাৎ কন্দেম তৌই হায়না সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, তেলঙ্গনাগী চহী নৌরিবী ভেটিরিনরি ডোক্তর নুপী অমবু মীওই মরিনা ঈকায় খুম্নবা মাঙহল্লবা মতুংদা হাৎখিবা থৌদোক অদুদা চেন্নবা রেপিষ্ট মরিদু খুৎ থোক্লবগী নাম্মাদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা সী পি আইনা কন্দেম তৌই। লোদা থাজবশিংনা অসিগুম্বা মীনুংশি য়াওদ্রবা ক্রাইমশিংদা চেন্নবশিং মতম চানা ফানবা অমসুং অথুবদা ৱায়েল চথনবা অকনবা খোল্লাও পুখৎলি। চৈরক অসিদা পুলিসনা কাপ্তুনা হাৎখিবদু কনষ্টিট্যুসন শিংনবনি হায়না সী পি আইনা লৌই। নুপী ওইবীশিং ঙাকপী-শেনবীনবা লৈঙাক্না অথুবা খোঙথাং লৌখৎপগা লোয়ননা অহেনবা পাৱর শীজিন্নখিবা পুলিস খুৎপু অদুগী মথক্তা ৱায়েল চথনবা সী পি আইনা দিমান্দ তৌরি। ৱায়েল থৌদা মায়পুনরিবশিংবু অসিগুম্বা কেসশিংদদি নেচরেল জষ্টিস মখাদা ৱায়েল চথফম থোকই। লোগী ৱাংমদা লৈবশিং ৱায়েল চথবা তৌদনা পুন্সি মাঙহনবদি লো এন্দ ওর্দর লৈতবা লৈবাক ওইরক্কনি।

নুপীদা চথবা ক্রাইম কয়াদা মশক নাইবা মীওই চেন্নরম্বা ৱাথোক নাথৈহন্নবা ভিক্টিমগী মথক্তা অরানবা মরাল থংজিন্দুনা ওৎ-নৈবগী থৌওং থেংনরি। উন্নাও রেপ ভিক্টিম অদু ঙরাং নুমীদাং অথেংবদা ন্যু দিল্লিগী সেফদারজাং হোস্পিটালদা লৈখিদবগী পাউ তাবদা সী পি আইনা নুংঙাইতবা ফাওই। থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা মরাল লৈবশিং অথুবদা ফাদুনা লোগী মখাদা মতিক চাবা চৈরাক পীনবা তকশিল্লি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মতম কক্তবা বন্দ হৌরগনি : ফোরম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ওল ট্রাইবেল রাইটস প্রোটেক্সন ফোরম মণিপুরনা ষ্টেট গর্ভর্ণমেন্টতা দিমান্দ কয়া তৌরদুনা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমগী ৱারোলশিং থবক্তা ওন্থোরক্তবনা থা অসিগী ১৬ তগী নেসনল হায়ৱে অমদি ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা মতম কক্তবা বন্দ হৌরগনি হায়না ফোরম অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি জেমস হাওকিপনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অনৌবা ভিলেজ রেকগনেসন তৌবগী ৱাফম মীৎয়েং চঙগদবনি। এ দি সীশিংদা গ্রান্ট ইন এইদকী মহৎতা দাইরেক্ট ফন্দিং পীগদবনি। এ দি সীগী চেরমেন, ভাইস চেরমেন, এগজিক্যুটিভ মেম্বর, এ দি সী মেম্বরশিংগী ওনরেরিয়ম রিভাইস তৌগদবনি। দিষ্ট্রিক্ট জুরিদিক্সনদা দবল্লিং চৎপশিং য়েংশিনগদবনি। ট্রাইবেল ভিলেজ কয়া সেন্সসতা মাঙলিবা অসি হাপচিনগদবনি। ট্রাইবেল পিপলনা খুন্দাবা ভিলেজশিংদা ইভিক্সন তৌবগী রাইট লৈতে। মসিগী মতাংদা য়েংশিনগদবনি। রিজার্ভেসনগী চৎন-কাঙলোনশিং নীংথিনা লৈহনগদবনি হায়বা দিমান্দ কয়া তান্দুনা ষ্টেট লৈঙাক্তা চেরোল কয়া পীশিনখিবা লৈখ্রে। অদুবু থবক্তা ওন্থোরক্তবনা মরম ওইরগা থা অসিগী ১৬ তগী নেসনল হায়ৱেশিং অমসুং ট্রাইবেল এরিয়াশিংদা মতম কক্তবা বন্দ হৌরগনি। ট্রাইবেল সী এস ও অমদি ৱাখল মান্নবা খুদিংমক্না সপোর্ট তৌবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

জুলোজিকেল গার্দেনদা সঙাই ইনক্লোজর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : জুলোজিকেল গার্দেন ইরোইশেম্বদা শেমগৎপা সঙাই ইনক্লোজর ঙসি ফোরেষ্ট মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হাংদোকখ্রে।

সঙাই ইনক্লোজর শঙ্গাবগী থৌরমদা প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট ৱাইল্ডলাইফ দি জে এন আনন্দ, মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেনগী দিরেক্টর গাইথৌলু থাইমৈ অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওফিসর কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা ফোরেষ্ট মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, ঙসি হাংদোক্লিবা সঙাইগী ইনক্লোজর অসি কম্পেন্সেটরি এ ফোরেষ্ট্রেসন মেনেজমেন্ট এন্দ প্লান্নিং ওথোরিটিগী মখাদা শাবনি। সেন্ট্রেল জু ওথোরিটি, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ষ্টেন্দর্দ দিজাইনদা শাবনি। সঙাই নীংথিনা উবা ফংলগনি। মীয়াম্না লন্নক্কী শা-উচেক নুংশিবীয়ু। শা-উচেক কন্নবা হোৎনবদা সপোর্ট তৌবীয়ু। সঙাই এক্সপ্রেস গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্নসু সঙাইগী মচিঞ্জাক্কীদমক শেলগী সপোর্ট পীবসি থাগৎলি। সঙাই ইনক্লোজর অসিগী এরিয়া স্কোৱার মিটর ৪৮০০ নি। সঙাই অনীসু মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেনদা সঙাই কঞ্জার্ভেসন সেন্টর লাঙ্গোলদগী পুরক্তুনা থমখ্রে। ৱাইল্ডলাইফ ইনষ্টিট্যুট ওফ ইন্দিয়াগী টেক্নিকেল এসিষ্টেন্স মতুংইন্না চথবনি। সঙাই ট্রান্সলোকেসনগী থবক অসি চহী অসিগী ওক্টোবর ১৭ অমসুং ১৮ দা চথখি। ট্রান্সলোকেট তৌরিবা সঙাইশিং অসি এয়রটেগ তৌই। চহী অসিগী নবেম্বর ৬ তা মণিপুর জুলোজিকেল গার্দেনদা ট্রান্সলোকেট তৌবা সঙাই অমোম অমা মচা পোকখ্রে। সঙাই মচা অদু হৌজিক মশা ফনা লৈরি। থৌরম অদুদা জুলোজিকেল গার্দেনগী ওফিসলশিং অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট মণিপুরগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি হায়নসু মখা তারি।

রামকৃষ্ণ মিসননা শীন্দুনা অরোং খুনৌ, তোকপাচীংদা ৱিন্টর রিলিফ কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : অরোং খুনৌ অমদি তোকপাচীং ভিলেজদা রামকৃষ্ণ মিসন বাবুপারা ইম্ফালনা ৱিন্টর রিলিফ কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না রামকৃষ্ণ মিসনগী সেক্রেটরি স্বামি নরেশনন্দনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থা অসিগী ৪ দা হিয়াংলম অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মফমশিং অদুদা ৱিন্টর রিলিফ কেম্প পাঙথোকখি। খুল ৮ মথংশিংনা অরোং খুঞ্জাও, অরোং খুনৌ, কোমনাও, নোংমাইখোং অৱাং, নোংমাইখোং ময়াই, নোংমাইখোং মখা, শরিক কোঞ্জিন অমদি তোকপাচীংদা লৈবা লায়রবা অমদি অহল ওইরবা মীওই কয়াদা শামতুগী ব্লাঙ্কেট ৪০০ রোম য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা হিয়াংলম এ সীগী এম এল এ, ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা বিনিফিসরি খনবগী প্রোগ্রাম অমদি রিলিফ কেম্প অসিগীদমক সপোর্ট পীবীরকখি। রামকৃষ্ণ মিসন ইম্ফালগী মায়কৈদগী চহী অসিগী ওইনা ৱিন্টর রিলিফ সর্ভিসকী শরুক অমা ওইনা লুপা ১,৮৮,০০০ গী মমল ওইগদবা ব্লাঙ্কেট ৫০০ রোম লায়রবা অমদি তঙাইফদবা মীওইশিংদা য়েন্থোক্কনি। ব্লাঙ্কেটশিং অসি রামকৃষ্ণ মথ এন্দ মিসন, বেলুর হেদ ক্বার্টরগী শেন্থুংনা লৈবনি। রামকৃষ্ণ মিসন অসি নন-পোলিটিকেল অমদি নন-সেক্টেরিয়ন, স্পিরিচ্যুএল ওর্গনাইজেসননি। ফিলান্ট্রোপিক সর্ভিস কয়া পাঙথোক্লি। কাঙলুপ-ফুরুপ অমদি লাইনিং-লাইশোনগী খেন্নবা থমদনা বিনিফিসরিশিংদা পোৎলমশিং ফংহল্লি। স্বামি বিবেকানন্দগী সর্ভিস টু মেন ইজ সর্ভিস টু গোদ হায়বা মখাদা চথবনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

স্বাছতা পখ্বাদা

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : স্বাছতা পখ্বাদাগী মনুং চন্না থা অসিগী ১দগী ৭ ফাওবা ৬৯ শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফ মন্ত্রিপুখ্রিনা লম-তূ শিং-শেংবা য়াওনা প্রোগ্রাম কয়া পায়খৎখ্রে হায়না কম্মান্দেন্ট (এ ও এল) ৬৯ বট্টালিয়ন সী আর পি এফ মন্ত্রিপুখ্রিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, ৬৯ শুবা বট্টালিয়ন সী আর পি এফকী কম্মান্দেন্ট ওমকরনাথকী সুপর ভিজন মখাদা লম-তূ শিং-শেংবা অমদি রোদ সোনচিংবা পাঙথোকখি। বট্টালিয়ন অসিগী মনাক্তা লৈবা লন্বীশিং অমদি পুখ্রিনচিংবা কয়া শেংদোকখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

এম এম দব্লিয়ু ওগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা খুদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : মণিপুর মুস্লিম ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)গী ৯লকশুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা সামিয়া মিষ্টাবাহুল উলুম হায় স্কুলদা লৈরিবা ওর্ফান মহৈরোয় ৪০ দা খুদোলপোৎ তমখ্রে।

খাবৈশোইদা লৈবা স্কুল অসিদা অচা-অথক অমসুং বোই, কলম খুদোল তম্বা অদুদা শরুক য়াখিবা এম এম দব্লিয়ু ওগী ভাইস প্রসিদেন্ট এম দি চেসাবনা হায়খি, এম এম দব্লিয়ু ওগী ৯লকশুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা অচা-অথক খুদোল তম্বনি। অঙাংশিংনা লাইরিক তম্বা মতমদা ৱাখল নুংঙাইনা মহৈ তম্বা ঙম্নবা পূক্নিং থৌগৎপনি। মখোয়বু থৌনা হাপ্পনি। এম এম দব্লিয়ু ওগী থৌমীশিং হৌজিক মণিপুরগী ইস্যু কয়াদা মায় ওনশিনখিবনা মপুং ফানা পুন্দুনা মতেং হেন্না পীবা ঙমদবসি লাইবক থীবনি। সী এ বি অমদি ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টনা মণিপুরগী মীয়াম কায়নবা হোৎনরকপা য়ারেই। পাঙল খুন্নাইনা অচৌবা থৌদাং কয়াসু লৌরি। মণিপুরগী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা হেন্না থৌদাং লৌখিগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সামিয়া মিষ্টাবাহুল উলুম হায় স্কুলগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা থৌ পুরিবা জহাঙ্গিরনা ফোঙদোকখিবদা, স্কুল অসিদা মহৈরোয় ৩০০ রোম লৈ। ১০০ না বোর্দিংদা লৈ। মহৈরোয় ৪০ দি ওর্ফাননি। ওর্ফান ওইরিবা অঙাংশিং অসিদি লেম্না মহৈ তমহনবনি। লায়রবশিংগীসু ট্যুসন তম্বদা ফ্রী ওই। স্কুল অসি কুমজা ১৯৪৪ দা লিংখৎখিবনি। কুমজা ২০১১দা ক্লাস টেন রেকগনাইজ তৌদুনা ক্লাস টেন থাবা হৌখি। জামিয়া হলমিয়া অজিজ এদ্যুকেসনল ট্রষ্টকী মখাদা স্কুল অসি চলাইবনি। মহৈরোয়শিং তাকপী-তম্বীবগী লমদা স্কুল অসিনা থৌদাং কয়াসু লৌরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱিদোশিংবু করম্না ৱাখল নুংঙাইহনগনি হায়বা হীরমদা হোৎনসি : ডা. রাধেশ্যাম

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : ৱিদোশিংবু করম্না ৱাখল নুংঙাইনা হিংবা ঙমগনি হায়বা হীরমসিদা হোৎনসি হায়না মনিদকোগী চ্যেরমেন এম এল এ, ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা ঙসি লময়ানবা শঙলেন কোনুং মমাঙদা পাঙথোকখিবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্টর ফোর রুরেল ইম্পৱারমেন্ট এন্দ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন, সিখোং বজার নোংপোক সেকমাই থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ষ্ট্রেটেজি ফোর ঐচ আই ভি প্রিভেন্সন হায়বা হীরমদা নুমীৎ নীনি চথুগদবা ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা ডা. রাধেশ্যাম য়ুম্নামনা হায়খি, মপুরোইবনা হুন্দোকপীরম্লবা নুপীশিং ৱাখল নুংঙাইনা হিংবা ঙল্লোই। মখোয়বু ৱাখল নুংঙাইনা হিংবা ঙম্নবা হীরমদা হোৎনসি। ঐচ আই ভি/এইদস হায়বসি মতম কুইনগী মমাঙদগী তাদুনা লাক্লবা অমনি। ঙসি ফাওবা লোইশিনবা ঙমদ্রি। মণিপুর অসি ঐচ আই ভি/এইদস ৱাংনা লৈবা লমদম অমা ওইরি। মসিদা নারিবা মীদুদা নত্তনা অচৌবা চৈথেং পীদুনা লাক্লি। খ্বাইদগী লুবা অমনি। সোসল অমসুং ইকনমিগী ফীভমদসু অচৌবা চৈথেং পীবা অমনি। ঐচ আই ভি/এইদস হায়বসি মীয়াম্না খঙনরবসু করম্না ঙাকথোক্কদগে হায়বদু ঙমদ্রি। মসিনা মেন্টেল হেল্ঠ প্রোটেক্ট তৌদ্রবনিনা ৱিদো কয়া থল্লম্মী।

ৱিদোশিংনা ৱাখল নুংঙাইতবা, শেলসু লৈতবা অমদি মীনসু থিনা ঙাংনবীবা কয়া খাংলি। হীরম অসিগী মতাংদা নৈনদবা য়াদবা মতাং লাক্লে। নুমীৎ নীনি চথুগদবা ৱার্কশোপ অসিনা ময়েক শেংনা নৈনরসি। অসিগুম্বা ৱার্কশোপ পাঙথোকপা অসি য়াম্না মরুওইবা অমনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইখিবা কৈরাও এ সীগী এম এল এ, এল রামেশ্বরনা হায়খি, ৱিদোশিংগী ওইনা পায়খৎপা য়াবা করি লৈবগে হায়বদু য়েংগে। লোনবু ওইরবসু পীবা য়াবশিং পীনবা হোৎনবা চঙই। সোসল ৱেলফেয়রগী মায়কৈদগীসু পীবা য়াবা লৈরিবা কয়া অসি পীহন্নবা হোৎনবা য়াবা হোৎনগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসল ৱেলফেয়র দিপার্টমেন্টকী জোইন্ট দিরেক্টর বন্তি কোন্থৌজমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইটিগী জোইন্ট দিরেক্টর ডা. অভিরাম মোংজম, নির্ভানা ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি সোভানা, মেদিকেল দিরেরেক্টোরেটকী ইপিদেমিওলোজিষ্ট ডা. ইনাওবনা রিছোর্স পর্সন ওইখি।

রোসমনিনা লৈখিদবদা ঐচ দি ফাউন্দেসন্না অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : সুপ্রীম কোর্টকী এদভোকেট ওইরম্বা হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসনগী লিগেল এদভাইজর রোসমনি লৈশাংথেমনা থা অসিগী ৩ দা ন্যু দিল্লিদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লি হায়না ফাউন্দেসন অসিগী মীদিয়া এন্দ কম্যুনিকেসন ওফিসর ডা. এল বিনানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, হেন্দিকেপ দিভলপমেন্ট ফাউন্দেসনগী মেম্বরশিংনা মিনট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। রোসমনি মশক নাইবা এদভোকেট অমনি। মহাক্না লৈখিদবা অসি ঐখোয়গী ওইনা য়াম্না মাঙজবা অমনি। পিপল ৱিথ দিসএবিলিটিজশিংগীদমক থবক কয়া তৌবীরম্মী। মহাক্কী থৱায়না ঈংনা চিক্না লৈবা ওইরসনু। হেন্দিকেপ পর্সনশিংবু সিভিল সর্ভিস এগজামিনেসন থাবা য়াহন্নবসু মহাক্না য়াম্না কন্না হোৎনরম্মী। মহাক্না লৌরম্বা থৌদাংশিং নীংশিংহৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

জেনরেল ষ্ট্রাইক হন্দোকপীয়ু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৭ (ঐচ এন এস) : কবুই ফুরুপকী খ্বাইদগী চাউবা গান ঙাই ফেষ্টিভেল কুমজা ২০২০ গী জন্যুৱারী ৮ দা পাঙথোক্কদবা মরম্না কোওর্দিনেটিং বোদি ওফ ট্রেদ য়ুনিয়ননা কৌরিবা জেনরেল ষ্ট্রাইক অসি মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা হন্দোকপীয়ু হায়না ষ্টেট লেভেল গান ঙাই সিলেব্রেসন কম্মিটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট কুমার কবুইনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। চেরোল অদুনা হায়, জন্যুৱারী ৮ দা ষ্টেট লেভেলদা পাঙথেক্লবা শেম-শাবা লোইরে। নুমীৎ অসিদা জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবীগনু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY
ADMISSION OPEN CLASS X REVISION Starts on 12th December 2019 11 am to 4 pm
FOUNDATION COURSE Class 3 to10 Starts on 19th Dec., 19 4:30 pm to 7:30 pm
MATRIC TOPPERS OF 2019
1st Position Bhumika Sh. Pitambara E/S
4th Position Minerva H. Brilliant P/S, Samurou
7th Position W. Ningthem Tiny Tots
8th Position Nongpoknganba L. St. Joseph
11th Position H. Rijando Memorial Model Academy Yairipok
12th Position M. Nerich Tiny Tots
13th Position Shubhalakshmi Th. Nirmalabas
14th Position K. Koklen Tiny Tots
14th Position Donita K. Nirmalabas
15th Position P. Roshni Donbosco Langjing
15th Position Bidya Raj Kh. St. Joseph
16th Position H. Rohen Little Master, Samurou
17th Position Th. Manglemba Modern Hr.Sec. Bishnupur
17th Position Jessica W. Nirmalabas
19th Position H. Aman Modern Hr.Sec. Bishnupur
29th Position Sinngam Kh. Catholic Canchipur
20th Position Celina Laishram Heritage Convent
21st Position N. Roshila Tiny Tots
24th Position Lamjingba Y. St. Joseph
24th Position Suchitra Kh. Nirmalabas
SEPARATE BOARDING FOR BOYS & GIRLS
WINTER VACATION SPECIAL CAMP
Starts on 19 December 2019
CLASS I TO VII CLASS I TO VII
Subjects : English - Maths - Meitei Mayek - Hindi & Spoken English
Timing : 6:30 am to 10:00 am
Tutors Teachers of Nirmalabas H/S, St. Joseph, Little Flower, Don Bosco, Christ Jyoti, Heritage Convent, Text Book writers & Former Head Examiners
7th MEGA MOCK TEST

Date	Sub.
13/01/20	English
15/01/20	S. Science
18/01/20	Maths
20/01/20	Science
22/01/20	Adl. Sub.
24/01/20	MIL

Last date of Form Submission 31/12/2019
PLEASE CONTACT : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342 VAN AVAILABLE

HL-B/4082/14 oct. - 1 nov.
HL-P/5855/4/12-4/01

Regd. No. : KNL/497/(CE) of 2018 (I/W)
SANGAI TUTORIAL
Kwakeithel near Imphal College, Imphal
ADMISSION OPEN
REVISION COURSE for
CLASS -XII Sc. (COHSEM) 4th Nov. 2019 (4:00/4:30 p.m. - 7:30)
& CLASS -X(BOSEM) 5th Dec. 2019 (3:30 p.m. - 7:30)
HSE Result 2019
19th POSITION HSE 2019
Rakesh Ningthoujam
FOUNDATION COURSE for CLASS -X(BOSEM)
9th Dec. 2019 (4:30 p.m. - 7:30)
HSLC Examination Result 2019 at a GLANCE
13th POSITION HSLC 2019 Nongmaithem Zeno
17th POSITION HSLC 2019 Jessica Wahengbam
23rd POSITION HSLC 2019 Kahajam Jaya Devi
24th POSITION HSLC 2019 Rushely Laishram
Faculties :
Former Head Examiner, Assitant Head Examiner, Co-ordinator, Board Examiner and Lecturers from reputed Higher Secondary School.
Special features :
→ Mock-Test Series (Sunday and provide four Question Set for each subject).
→ We provide printed probable questions and answers.
→ Hostel/Boarding for Boys &Girls. → Van Services
Form available at 'Sangai Hostel' kwakeithel Ningthemkol Contact : 8413855751